ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ১৮, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৫৪শুবা মশীং

# ‘তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন’

## ৱা কাইরবদি ঈশিং চংবনি

মে ১২, ২০২৩দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এম এল এ ১০গী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা থোরকখ্রে। চেরোলদুদা খূৎয়েক পীবশিংগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা ১২শুবা এসেমব্লিসিদগী লিংলিবা লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরিবা এম এল এ অনীসু য়াওরি। অদুগা চেরোলসিদা খূৎয়েক পীবা এম এল এ ১২গী মনুংদা খ্বাইদগী ইকোন-কোনবদা য়াওখিবা এম এল এ অমগীনা মশামক্তা খূৎয়েক পীবগী মহুত্তা অতোপ্পা মীওই অমনা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা খূৎয়েক পীখি। অদুবু মতাংসিদদি মশানা খূৎয়েক পীবা নৎত্রগা পীদবগী ৱাফমদি থোইদোক্তে। মরমদি মিনিষ্টর ওইরবা অনী য়াওনা এম এল এ ১০গী চেরোলনি হায়বদুদা য়াওখিবশিংনা অমসুং মশাগী মহুৎ শিন্না খূৎয়েক পীখিবদুনা চেরোলদু শেমজিন-শাজিনবনি, অরানবনি হায়বগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মসিগী মথক্তা মে ১২, ২০২৩দা মখোয় ১০গী অপূনবা চেরোলদু থোকখ্রবা মতুং মখা তানা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং তকশিল্লদুনা মে ১৫, ২০২৩দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা হকথেংননা উন্নখ্রে হায়বগী ৱাফমসু লৈরি। মখোয়গী চেরোল অমসুং হোম মিনিষ্টরগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রিবা ৱাফমশিং অদুগী মরু ওইবনা কুকি-চিন-মিজো-জোমি ফুরুপকী মীয়াম্বু মণিপুর লৈঙাক অমসুং মেজোরিটি কম্ম্যুনিতি ওইরিবা মীতৈশিংনা তাথী-তাওইনা তৌবীরে। মরম অসিনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মখোয়গী ফুরুপশিং অসিগীদমক তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লৈহনবীয়ু। মহৌশাগুম্না মণিপুরগা য়ূমথংননা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নসি হায়বসিনি।

এম এল এ ১০না ৱাফমসি ফোঙদোরকপা অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ফাওবা উন্নরক্তুনা তকশিল্লকপদগী লাক্লিবা ৱাফমদি মখোয়গী খোঙথাং অসি মখোয়না মেম্বরশিং ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ‘রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস’ না অয়াবা পীবা/পীদবা, হায়রকপা/তৌরকপা য়াবা/য়াদবগী ৱাফম তরাইথোকখ্রদনা মখোয় ১০না মণিপুর লৈঙাক অমসুং মেজোরিটি কম্ম্যুনিতিদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং, শীরক্লিবা মরালশিং অসিবু চুম্ব্রা হায়বনি। ৱাফমশিং অসিসু চুমদবগী মথক্তা মণিপুরগী লৈঙাকলোনগী ফিবাম্নুংদগী মখোয়গী ফুরুপশিং নান্থোক্লগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমগী মখাদা লৈজরগে হায়রক্লিবা ৱাফমসিদি ৱাকাই কৌই। ৱাকাই ঙাঙলকপনি। মরম অসিনা খোঙথাংসি থাংজিল্লক্লিবা এম এল এ ১০না ৱা কাইরবদি ঈশিং চংলক্তুনা ৱা পূমথহল্লকই হায়বদু কাউথোক্তবা ফগনি। ৱাফমসিনা মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি মচেৎ তানা কাইরক্নবগী ময়ি চৎপা হৌরকপনি হায়দুনা ফোঙদোরকপনা এম এল এ ১০দা মণিপুর অসি মমা লৈবাক মরমদমনি খনবা অদুগা ষ্টেটসিদা লৈমিন্নরিবশিংবুনা মচিল-মনাওনি, অমত্তনি হায়বা/খনবা ঙমজদবা পাঙ্গলগী চাংদু উৎথোরকপনি। অদুবু ৱাফমসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না অয়াবা পীদুনা দিমান্দ অসি শেম্পাক্তা হাপ্তুনা অথেনপোৎ ওইনা লান্থোরক্লবসু মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈমিন্নরক্লিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা য়ারক্ত্রবদি ৱাকাই ঙাঙবদগী কাইদুনা ঈশিং চংলবা ৱাশিংদু শুম চাবদগী হেন্দোরক্তুনা পৎতুনা-পুমদুনা মাঙগনি হায়বসি কাউদবা ফৈ। লম হেল্লক্লিবা নখোঙ-নখূৎ, ৱারকপা ঙমদ্রবা নচিন, অপূনবগী শক্তম পামদবা ৱাখল, তোখায় তানীংবগী অশেপ্পা নবুক্তু চুমথোক্নবা পুৱারীগা শাগোন্নরকপা লাইওইরবা থেঙ্গু মরাং কাইনা লৈ হায়বসি মতম পূম্নমক্তা কাউথোক্কনু। মসি খঙনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না চৎপা চুমগনি।

# ‘ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ’

## ꯋꯥ ꯀꯥꯏꯔꯕꯗꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯪꯕꯅꯤ

ꯃꯦ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯳ꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯚ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯱꯰ꯒꯤ ꯃꯥꯌꯀꯩꯗꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯆꯦꯔꯣꯜ ꯑꯃ ꯊꯣꯔꯀꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯆꯦꯔꯣꯜꯗꯨꯗ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯱꯲ꯁꯨꯕ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯁꯤꯗꯒꯤ ꯂꯤꯡꯂꯤꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯥ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯑꯅꯤꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯆꯦꯔꯣꯜꯁꯤꯗ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯕ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯱꯲ꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯏꯀꯣꯟ-ꯀꯣꯟꯕꯗ ꯌꯥꯎꯈꯤꯕ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯑꯃꯒꯤꯅ ꯃꯁꯥꯃꯛꯇꯥ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯅ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯈꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯇꯥꯡꯁꯤꯗꯗꯤ ꯃꯁꯥꯅ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯄꯤꯗꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯃꯗꯤ ꯊꯣꯏꯗꯣꯛꯇꯦ꯫ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯣꯏꯔꯕ ꯑꯅꯤ ꯌꯥꯎꯅ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯱꯰ꯒꯤ ꯆꯦꯔꯣꯂꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗ ꯌꯥꯎꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯅ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯅ ꯈꯨꯠꯌꯦꯛ ꯄꯤꯈꯤꯕꯗꯨꯅ ꯆꯦꯔꯣꯂꯗꯨ ꯁꯦꯃꯖꯤꯟ-ꯁꯥꯖꯤꯟꯕꯅꯤ, ꯑꯔꯥꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯑꯃꯇꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯀꯄ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯃꯦ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯳ꯗ ꯃꯈꯣꯌ ꯱꯰ꯒꯤ ꯑꯄꯨꯅꯕ ꯆꯦꯔꯣꯂꯗꯨ ꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯇꯨꯡ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕ ꯑꯄꯥꯝꯕꯁꯤꯡ ꯇꯀꯁꯤꯜꯂꯗꯨꯅ ꯃꯦ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯳ꯗ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯒ ꯍꯀꯊꯦꯡꯅꯅ ꯎꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯃꯁꯨ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯆꯦꯔꯣꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯒ ꯎꯅꯕꯗ ꯐꯣꯡꯗꯣꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕꯅ ꯀꯨꯀꯤ-ꯆꯤꯟ-ꯃꯤꯖꯣ-ꯖꯣꯃꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯦꯖꯣꯔꯤꯇꯤ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯇꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯅ ꯇꯥꯊꯤ-ꯇꯥꯎꯏꯅ ꯇꯧꯕꯤꯔꯦ꯫ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ ꯑꯃ ꯂꯩꯍꯅꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒ ꯌꯨꯝꯊꯪꯅꯅ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯆꯥꯟꯅ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯤ꯫

ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯱꯰ꯅ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯀꯄ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯐꯥꯎꯕ ꯎꯅꯔꯛꯂꯨꯅ ꯇꯀꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯗꯒꯤ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕ ꯋꯥꯐꯃꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯑꯁꯤ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯃꯦꯝꯕꯔꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯚ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ‘ꯔꯨꯂꯁ ꯑꯣꯐ ꯄ꯭ꯔꯣꯁꯤꯖꯔ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯟꯗꯛꯇ ꯑꯣꯐ ꯕꯤꯖꯤꯅꯦꯁ’ ꯅ ꯑꯌꯥꯕ ꯄꯤꯕ/ꯄꯤꯗꯕ, ꯍꯥꯌꯔꯀꯄ/ꯇꯧꯔꯀꯄ ꯌꯥꯕ/ꯌꯥꯗꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯇꯔꯥꯏꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯗꯅ ꯃꯈꯣꯌ ꯱꯰ꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯦꯖꯣꯔꯤꯇꯤ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯇꯤꯗ ꯐꯣꯡꯗꯣꯔꯛꯂꯤꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡ, ꯁꯤꯔꯛꯂꯤꯕ ꯃꯔꯥꯂꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯆꯨꯝꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯁꯨ ꯆꯨꯃꯗꯕꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯒꯤ ꯐꯤꯕꯝꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡ ꯅꯥꯟꯊꯣꯛꯂꯒ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯂꯩꯖꯔꯒꯦ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯤꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯗꯤ ꯋꯥꯀꯥꯏ ꯀꯧꯏ꯫ ꯋꯥꯀꯥꯏ ꯉꯥꯡꯂꯀꯄꯅꯤ꯫

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১২২ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

সাইকলদা লীলা চৎলিঙৈ মতমদো কয়া নুংশি নীংশিংবদা। সাইকল মনীংদা লীলাগী পোৎয়োম য়েপ্পী। ঐদি অদুফাও ইকায়দনা মীগীদা য়েপ্পগসু য়াওরিবনি। মতমদুদা হিরোনি গাইনা ইকায়বগা তান চাদনা য়াম্না খঙগৎলকপা হায়দুনি। ঐখোয় পরেং পরেং সাইকল থৌরগা লীলা শান্নবা চৎখিবা। লম্বীদা লৈরম্বশিংনা করি লমদনো হায়না হংলকপদা “অদুদনি” “অদাদনি” খুন্বদা অদুদি ঐখোয়সু লাক্কে হায়দনা কোইবা চৎপা থোরকপা নহাশিংনা ঐখোয়গী ইতুং ইন্নদুনা সাইকল থৌরগা লীলা য়েংবা লাকখিবদো। লীলা য়েংবা লাকপা কাঙবুনে, লীলা শান্নবা চৎপা ঐখোয়গী কাঙবুনে, সোরোক্তু পূমথন থনখে সাইকল থৌরগা চৎখি। ৱা ৱা নোক্তুনা ৱারীগকা য়াম্না শান্নখি। মখোয়শিংদু নোংমগী লম্বীদা থেংনবা মরুপশিং ঙাক্তনি। অমত্তা হেক খঙনবদি নত্তে। হৌজিকপুদি কাউরে। মখোয় খরদি নীংশিংবসু লৈরমগনি।

সাইকলদা লীলা শান্নবা চৎপসিগী নুংঙাইবা ৱারীসু লৈ। লম্বীদা সাইকল হোরকপা, চেন তোইনা তাগনবা সাইকল য়াওই। মরু ওইনা ঐগী লেদি সাইকল অমা লৈরম্মী। অহানবা থোরকপা হিরো সাইকলনি। মদুগী সাইকলদু বেরানি। চেনসি হেক্তা তাবা, চেনদু হাপ্নবা হোৎনবদা খূৎসিদা থাওথী হেক্তা তৈদনা খূৎসি পুংমু মুরে। সাপোন তৌরগা চামথোল্লবসু ঙাইহাক লৈরগা অমুক হেক্তা তাবা। অদুনা চৈতেক খরা লিংবা অমা সাইকলদা য়েপ্পগা চৎখিবদো কয়াদা নুংশিনা নীংশিংলকখ্রবনো ঙসিদি। লম্বীদা সাইকল হোরকপদা ৱাখিবা। মতমদুদদি সাইকল শেমফমসি লৈকায় খুদিংগী লৈরম্মী। নৎত্রসু য়ূম অমদা হেক্তা চঙলগা নুংশিৎ খিতা হানগে, পম্প অমুক্তা ৱাইগে হায়বদা লোইনা ফংনৈ। করিগুম্বা হোরম্বা য়াওরবসু ফোৎনবা সোল্যুসননচিংবা অদুম লৈরম্মী। অদুনা থোইদোক্না ৱানদে। হংবা চঙবা ইকায়বদুগী ৱানি। অদুবু পাম্বৈ লৈতে। লমদি পঞ্চররোই, ঐখোয়গী মরক্তগী সাইকল হোরকপা অমা য়াওদুনা ফোৎফম দুকান লৈব্রা হায়দি সাইকল শেমফম লৈব্রা হংবদা লৈরমদবা, অদুদা লৈকায়দুগী মী অমনা মখোয়গী য়ূমদদি ফোৎনবা লোইনা লৈবনি হায়রকপদগী য়ূমদুদা চঙলুবা মতমদা হায়রকখিবা ৱাদু হৌজিকফাও নোক্লিংনা ইকায়বা ফাওরি। য়ূমদুদা লৈরম্মীবা নুপাদুনা “য়ানি য়ানি মতেং পাংজগে” হায়রগা পম্প, রব্বর, কাতি, তেসনারি, স্ক্রু ড্রাইভর, সোল্যুসন পুথোক্তুনা ফোৎনবা থৌরাং তৌনা তৌনা ৱারী শানবনি। মখোয়গী মরী মতাগী লীলা অমা কৌবজাৎনি। অদুদা শেল তাবীয়ু হায়বদা য়াখিদে হায়বগী ৱারীনি। মতমদুদদি লীলাগী শেলসি য়াম্না লৌবা নত্তে। লুপা ৫০০ খক লৌবনি। অদুদা তাই তাদে, দক্ষিনা ঙাঙনবা য়াম্না ৱাই গাইনা সুম ৱারীদু মথং মথং তৌরকপদা নোক্নীংবসু ফাওই ইকায়বসু ফাওই। মতমদুদদি ঐখোয় লুপা চাম্মঙা দক্ষিনা পীয়ু হায়না ইরসু, তাবীয়ু হায়বসি মফম খুদিংগী হায়নৈ। মদুদি চৎনবীনি। অদুদা তাবা য়াবা চাং হায়বা অমসু লৈ। লুপা চাম্মঙা হায়দুনা লুপা চনি-চনি য়াঙ্খে পীগে হায়রল্লদি খিতং হেন্না তামনবদুগী হায়নবৈ ৱানি। ময়াম্নদি তাহন্নীংবা, ঐখোয়নদি তারিদু য়াম্মল্লি, খরা হাপপীয়ু সিনিদনা। অদুদা মরৈ মচা মচা অদুম মশানা তৌনা তাবনি। তৌবগীবুদি মতমদুদা লীলা তৌবা হায়বসি য়াওশঙগী চাকচা হৈজানবা, মতম নত্তবদা তৌবদি অয়াম্বনা অঙাং শ্বষ্টিগী, মনা হুৎপগী, অতৈ অতৈ লন্নাই ওইনসু অদুম পংকৌ কৌনৈ। অদুনা মী অমনা শেনফমদু পুথোকপদা ৱাবুদি ৱারমগনি অদুনবু হায়নরিনি। ইশম শন্না হায়রবদা, লৌনীংবা তাহন্নীংবগী চিনগী লান হায়দুনি। মদুগী এক্সপরিএন্সশিং অদুসু য়াম্না নুংঙাইবা মথেল অমনি হায়না লৌই। মদু পুন্সিসিদা কৈদৌনুংদসু কাউবা ঙল্লরোইদবা ঙাক্তনি। হৌজিক্নানগদি য়াম্না খেন্নরে।

অতোপ্পা ৱারী অমনা, মতমদুদা ঐখোয়না নহা পাখং ঙাক্তা ওইনা তৌবনিনা লৈশাবীশিংনসু, পাখঙ ঙাক্তগী লীলাসি য়াম্না পান্নখিবগী মরম অমসু ওইখি হায়না খল্লি। অনৌবা ওইনা ঐখোয়না ঈশৈ লীলা তৌরকপদুগী ৱা ঙাক নত্তবদা, নহা পাখঙ ঙাক্তনা লীলা শান্নবগী য়েংনীংবা অমসু লৈবজাৎনি। মসি মথী ফোংদ্রসু, লৈশাবীশিংনা লীলা কৌবদা কৈসু হনুবশিংগী লীলা কৌবা পামখিদে। নুংঙাইগেরা নুংঙাইরোইরা, পাখঙনা শান্নবা লীলাসিনা হেন্না পামখি হায়না ঐদি খল্লি। ঐনা খল্লিসি হেনজিনবা ওইরম্বসু য়াইকো। অদুবু অশেংবদি মদু চুম্মী হায়না খঞে। মতমদুদা লৈশাবীশিংদুনা পাখঙ ওইরিবা ঐখোয়দা হৌজিল্লকখ্রিবা, পাখঙ ওইবশিংনসু লৈশাবীশিংদুদা হৌজিন্নখিবা কয়াগী ৱারী কোকথোং অমা লৈ। মী খরনদি হায়বদি লৈকায়গী মবুং মৌপ্পা খরনদি, ঐখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা লীলাগীবু ওইরো, অমগীবু ওইরো ইফোং ফোংনা ময়াম মমাঙদুদা ৱারীগা শাদুনা ৱা ৱা নোকপদুদা ‘মীৎসি নারেদা” গাইনা লাউরকপগসু য়াওরিপোৎনি। মশক মমিং পঞ্জবদি পঞ্জনীংদ্রে, ঐখোয়গী পাখঙ আর্টিষ্টশিংগী মরক্তসু লীলা লোইরকপা হল্লমদাইদা ঈশিং য়াম খৌরাংগনবা খরসু য়াওরিবনি। অদুনা লৈশাবীশিংদুদা ওনশিল্লগা ঈশিং খিত্তা থক্কে গাইনা হায়জিল্লগা লৈশাবীদুনা ইমুংদগী ঈশিং অয়োকপা গ্লাস অমগা পুথোরকপদা, শুকথক হেক থকনীংদা ঈশিংদু গ্লাস থাঙ্গৎলগা থকচিন্নরিবনি। থল্লিঙৈদুদা লৈশাবীদুনা গ্লাসতু লৌনবা ঙাইরিনি। গ্লাসতু পাখংদুনা পীবদা খিতং নোকফেৎকা তৌশিল্লবদা লৈশাবীদুনা নোকফেৎকা অমুক তৌরল্লদি, ঈশিং থকপগী মহয় য়াল্লে খনজরিবনি। অদুদা ঐখোয়না অমুক নোক্নরিনি, “লীলা য়াম লৈরিকো লোক থুংজনি, লোক থুংদুনা নারে গাইনা লীলা হায়দোকপা ঙম্মোইকো”। মদুদা ময়াম ৱা ৱা নোক্লিপোৎনি। নুংঙাইখ্রবা তাইবঙপান অমনি। মরমদি আর্টিষ্ট পাখংশিং অদু কোইবা চৎপা কৈদৌবগী মতম অমত্তা ফংনদে, ঐখোয়গী মতমদুদা অয়াম্বা মতমদা লীলা শান্নবা চৎলবনিনা অমদি লীলাগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা ময়ায়দা লেপ্পবনিনা মীগী মমাঙদা পংচৎ চৎপা, পংকোয় কোয়বা হায়বসি কয়া তৌরক্তবদুনা মরম ওইরগা থেংনবা মফমদা হাকচরকপদুদি মফম মতম নাইদনা খোৎনীংবগী তৌরিবনিদনা।

লীজরিবা ৱারীসিনা মতমদুগী লৈশাবীশিংদু আর্টিষ্ট পাখংশিংদা ঙাওই হায়বৈ ৱা নত্তে। শুন্নমক্তবু হায়জবগী ৱানি। মতমগী অহোংবা হায়বদু ওইগনি খল্লি। পাখঙশিংনা শান্নবা লীলা হেন্না পাম্মী হায়বসিমদি তশেংনা চুমগনি। হৌজিক ফাওবদা ময়াম্না হায়নবসি অনৌবা ওইনা ঈশৈ লীলা থোরকপদুদা ময়াম্না হেন্না পাম্নখিবনি হায়না নাকল খরা হোনা উরগা অদুম হায়নৈ। হায়নরিবদু লোইনা চুম্মী। অদুবু ঐনা হায়জরিবা অসিসু ময়াম্না হায়নবদুগী চিংখহৌবা অহোবা অমনি হায়না খনবীয়ু। মতমদুদা লীলা কৌবা লাকপা ময়ামসি ঐখোয়গী লীলাগী চেবাউ লৌফম ওফিসসিদা য়াওশঙ মতমদগদি ইচিন থী হায়নি, ময়ামসি ক্যদা লৈনবনি। পীকখ্রবা ওফিস অদুগী মনুংদা ময়াম লোইনা ফম্বা চনবা নত্তে, অদুনা মপান্দা ময়াম অমা গ্রুপ গ্রুপ লেপ্তুনা ঙাইদুনা লৈগদৌরিবনি। অদুনা ঐখোয়না অদুগুম্বা মতমদুদদি অহেনবা চৌক্রি মীঙোন্দগী ৱায়রগা হান্না এরেঞ্জ তৌদুনা থম্মী। ঙাইহাক্তা ওইরসু ফম্মগা ঙাইননবা হায়দুনা। অদুগা নুংঙাইরিবা অমনা লীলা কৌবা লাক্লিবশিং অদুনা লীলাদু কৌরগা পাক চন্তে। লীলাগী ৱারী লীয়ু, ফি রোল অনানবা শেৎহল্লু হায়বনচিংবা মখোয় মখোয়গী অপান্বশিংদু মরী মরী হায়গদৌরিবনি। মপান্দা ঙাইবা কাঙবুদুনা কুইমনখ্রে হায়দুনা লোইনা মরী মরী চঙশিল্লকপদা চৎফমফাও লৈতবমখৈ লীলা ওফিসতুদা ওমশিনখিবদু ঐগী পুন্সিদা করম হায়না কাউগনি। করিগুম্বা মফমদদি লৈশাবীশিংনা কলেজা তৌদুনা ঐখোয়গী লীলাসি কয়া শান্নে হংলগা দবল শো শান্নবগী বার্তন লৌরিবনি। শেল খরা তাবীরো, মীঙোন্দা শান্নবসু অমহানি, ঐখোয়দা পূন্না লীলা অনী শান্নবীরোগাইনা দবল শো দবল শো কৌবসু য়াম্না তৌখি। মীনা পাম্বগী চাংসি য়াম্না ৱাংলম্মী। ঐখোয়সু অদুম য়াই। কোইচৎ চৎনরুদ্রসু মফম অমদা অনী শান্নরদি কৈসু কায়দে হায়না অদুম্না লীলা অমা হেক লোইবগা ঐখোয়গী ঈশৈ শকপসিনা ঈশৈ খরা মথং মথং শল্লুগা, মরক্তুদা ঐখোয়না অতোপ্পা লীলাগী দ্রেস হোংলগা অমুক অনৌবা লীলা অমা শান্নবা কোঙ্গাই অমা য়াওই। কয়া য়াম্না মীয়াম্না পাম্নখিবনো হায়বদু মসিনা খুদম অদুম ওইবা য়ারে। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ১৮ (লান্না শন্দোকপীরে)

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

হন্দক্তা চীংগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদগী কুকি-চিন-মিজো-জোমি কাঙলূপকী এম এল এ ১০ না তোখাইবা পোলিটিকেল রিজন অমা পীবিরো হায়না দেল্লীদা চৎতুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। দেল্লীদা চৎতুনা অমিট শাহ উন্নদ্রিঙৈদা মণিপুরদা এম এল এ ১০ অসিনা প্রেস ষ্টেটমেন্টসু থোকখ্রে। প্রেস ষ্টেটমেন্ট অদুদা অসুম্না হায়খি মদুদি মণিপুরদা লৈরিবা কুকি-চিন কাঙলূপকী নুপী অঙাং, অহল লমন, পাষ্টরশিং অমত্তা খাক্তনা মখোয়বু ওৎ নৈরে, মখোয়গী মথক্তা লান্দারক্লে লোয়ননা মখোয়গী য়ূম-কৈ অমদি গাড়ীনচিংবা লোইনা মৈ থাবীরে। ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মখাদা মখোয় মখা তানা লৈবা ঙম্লরোই, অতোপ্পা পোলিটিকেল এদমিনিষ্ট্রেসন অমা তাল্লনি হায়না ফোঙদোকখি।

মসিগী মতুং তারকপদা দেল্লীদা চৎতুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা মে ১৫দা উন্নদুনা মণিপুর লৈঙাক্তগী তোখাইনা তোঙানবা পোলিটিকেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজন অমা পীবিরো হায়না ইবা চেরোল অমা (মেমোরেন্দম) পীশিনখ্রে। চেরোল অসিদা এম এল এ ১০ অসিনা হায়রি মদুদি হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোক অসিদা (মে ৩) কুকি-চিন-মিজো-জোমি-মার মাইনোরিটি কাঙলূপকী মীওইশিংসি অকিবনা পীক থলহল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা তমদা কুকি কাঙলূপ অমত্তা লৈত্রে অদুগা চীংদনা মৈতৈ অমত্তা লৈত্রে হায়না। সিগী মতাংসিদি চুম্মী হায়না লৌবা য়াই। তমদা লৈরম্বা কুকি-চিন কাঙলূপকী মীওই খুদিংমক তেক্তা কায়দনা চীংগী শরুক্তা থিনবীদুনা মরা তপ্পা লৈখ্রে হৌজিক্কী ওইনদি। অদুবু মণিপুরগী চীংদা লৈবা নত্তবা, চীংয়া তময়াদা লৈবা মৈতৈ খুঙ্গং কয়াদা তারিবা য়ূমশিংদি ঙসিসু তত্তনা কুকি-চিন লালহৌবশিংনা লেপ্পা লৈতনা মৈ থাদোক্লি অমদি মীচম মীয়ামদা নোংমৈনা চীংথক্তগী কাপশিল্লক্তুনা ওৎ নৈরি। মীচম মীয়ামদি থম্বু থমখিসি পুলিস অমদি আর্মি পর্সনেলশিং ফাওবা চঙবা ঙমদ্রি কুকি-চিন লালহৌবশিং অসিনা এক্টিভ ওইনা লেঙ ওৎলিবা মফমশিং অসিদদি।

অদুবু মতাংসিদা টাইৱান্দা লৈখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরবু নুংশিজবা, নীংজবা মণিপুরী দাইসপোরা অমা ওইনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি এম এল এ ১০ অসিনা চেরোল অসিদা হায়রিবা খুদিংমকসি লোইনা ওন্ন-তৈননা, লান্না পাউদল্লে। মসিদা চুম্বসি অমত্তা য়াওদে। লোয়ননা কুকি-চিন ইচিন ইনাওশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মীদিয়াদা মশীং য়াম্বা তমদা তাবা ফুরুপ অমনা চীংগী ট্রাইবেলশিংদা ওৎ নৈরে, লান্দারে, য়ূম-কৈ, লন-থুম মৈ থারে, চর্চ কয়া অমসু মৈ থাদোক্লে হায়দুনা অদুবু কনানা হৌরকখিবনো, কনানা হেন্না মশীং য়াম্না মৈ থাই হায়বদি পন্দে।

মে ৩ থৌদোক অদুগী মমাঙদগী অদুম ওৎপা নৈবা হৌরকখ্রবনি চীংগী লমদমশিংদদি, মরু ওইনা চুড়াচান্দপুররোমদা। মে ৩গী রেল্লি অদুগী মখা তারকপদা চুড়াচান্দপুর মনাক্তা লৈবা মৈতৈ/মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থাবা, দুকানশিং মৈ থাবা, মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট ওফিসশিং মৈ থাবা, নোংমৈ য়োনবা দুকান থুগাইদুনা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরূ কয়া লৌখিবা ভিদিওদা লোইনা ইশেং শেংনা উবা ফংলিবদুনি ময়াম্না।

অদুম ওইনমক অকনবা সিক্যুরিটি শীজিন্নদুনা তমদা লৈবা কুকি-চিন ইচিল ইনাওশিং নীংথিজনা থিনবীখি চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, সেনাপতিনচিংবা মফমশিংদা। কুকি তাবা চীং অমদি নক্লা লৈবা খুঙ্গংশিংদগীসু মৈতৈ/মীতৈসু তম্পাক্কী মফম কয়াদা পুবিরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি, নাকল অনীমক্কী মীওইশিং শাফরনি খল্লুবা য়াম্না লাল্লম্লে। কুকি-চিন ইচিল ইনাওশিংনা ঈংনা-তপ্না লৈখ্রবসু ঙসি ঙসিসু চীংয়া তময়াদা লৈবা মীতৈ/মৈতৈদি নেনা তানা হিংজবা ঙমদ্রি কুকি-চিন লালহৌবশিংনা লেপ্পা লৈতনা লান্দারকপদগী, নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী। মীচম মীয়ামদি থম্বু থমখিসি সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) লৈবা কুকি-চিন লালহৌবশিংনা ঙাক্তুনা লৈবা চীংগী মফমশিংদদি পুলিস অমদি আর্মি পর্সনেলশিং ফাওবা চঙবা ঙমদ্রি। সুম্না তৌরগদি মীচম মীয়ামদি কমদৌবা।

হৌজিক হৌজিকসু নেসনল হায়ৱেশিং মখোয়না থিংজিনবদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং, পেট্রোল, গ্যাসনচিংবা ইম্ফাল তম্না পুশিল্লকপা ঙমদ্রি কুকি লালহৌবশিং অসিগা চৎমিন্নরিবা মীওই খরনা অথিংবা থমদুনা। পূম্নমক অসি য়েংবদা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী মদুদি খুদিংমক অসি কুকি-চিন লালহৌবশিং অসিনা য়াম্না হৈশিংনা প্লান য়াৎথোক্তুনা হৌরকখিবা ঈহৌনি হায়বদো। মসিনা তশেংনা তাক্লি মদুদি ঈৱাং অসি মীতৈ/মৈতৈনা হৌরুবা নত্তে, কুকি-চিন লালহৌবশিং অসিনা মীচম মীয়াম শীজিন্নরগা হৌরকপনি মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরকপনি। অদুবু মায় পাকপা হায়বদুমদি শুংওই হেক ওইথোক্লোই। মরমদি অসিগুম্বা খোঙথাংসি হান্ননসু কয়ারক থেংনরকখ্রে মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না।

মরম অসিনা লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি, অমসু অমসু নীংথিজনা হিংমিন্নসি হায়রবদি ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা হায়বদু থোক্লবনিনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদা চৎনরিবা লোশিং ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন ইন্দুনা চৎপনা ফগনি। মীতৈ/মৈতৈনা তাল্লিবা এস টি লিষ্টতা চনবগী খোঙথাংসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাকনিনা য়ানীংদবা য়াওরবসু মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী হায় কোর্টতা চৎতুনা হোৎনবীয়ু, ভাইওলেন্স শীজিন্নবনা মায় পাকপা ওইথোক্লোই। ইন্দিয়া ইজ দেমোক্রেটিক কন্ট্রি হায়না লৈরিবনিনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ফোঙদোকপীয়ু। মীতৈ/মৈতৈনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী এস টি লিষ্টতা চনবা চন্দবা হায়বসি ইন্দিয়াগী কোর্ট অমদি কন্সটিট্যুসননা লেপহনসি। য়াইফমিন্নসি। ●

# “তম্ফা খুদোপ য়াইওইবা-!”

**- এল ইবোমচা -**

নাপলনা হারবা মীওইবা
থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং
ঈশিং য়াওদ্রবা তুরেল,
লেমজনফম লৈতে তাইবঙদা।

তাইবঙপান অসি মপু মাগী লীলানি, মপু মাগী শিন্থা পাঙথোকফম শিনশঙ অমনি। তাইবঙ মপুনা মীওইবা খুদিংবু শিনশঙ পাঙথোকফম তাইবঙসিদা শিনবাংলুচো হায়না পাখোল থারকপনি। হায়বদি নোং অমুক ঙান, নুমিৎ অমুক তা, অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খঙনবা নুমিৎ থা, থৱান্মীচাক কয়ামা থোকহন্দুনা অমমম অঙান খাইরি। থা তরানিথোইনা থৌগল তৌরগা চহী অমা ওইহন্দুনা হৈপাল-লৈপাল পূম্নমক পুমশং শংহন্দুনা য়েন্নিং হুলহল্লি, কুমগী নোং তাহন্দুনা পাৎ, পুখ্রি, খোংবাল, তুরেল, লৌবুক-লম্ফাংনচিংবা শিন থুংনা ঈশিংগী ঈমাই শেম্বীরি। থরো, থম্বাল, থারিকথা লৈরাং শাৎহল্লি অমসুং ফৌ-চেঙ, উহৈ-ৱাহৈ, হৈপাল-লৈপাল, উপাল-ৱাপালশিংগা লোয়ন-লোয়ননা শা-ঙা, উচেক, তিল-কাংনচিংবা শেমদুনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা য়াননবা হায়দুনা তাইবঙ মপুনা মীওইবা ঐখোয়দা পীবা খুদোলনি। অদুবু মপুনা শীরকপা পাখোলদুদি য়াবা তৌনদনা নুমিৎ চূপ্পা অমা মশা মশাগী ওইজবা থিবগী অমসুং অথোই কাবগী ৱাখলদা লুপ্পদুনা তাইবঙ মপু মাবু কাউথোকপা শারি। মানা মানা তৌরিবা থবক থৌরমশিংদু তাইবঙ মপুনা খঙলল্লোই শানা মখে লাংদুনা লৈনৈ।

তাইবঙ শেম্বীরিবা মপু মহাকসু অঙকপনি হায়বা য়াই, মদুদি অথোই কাবা, নীংঙাই চাওবা, লৌনম তাৎ হৈবা, ওইজ-ওইথক পাম্বা মীওই ঙাক্তা শৌ-শাবমখৈ শেম্বী শাবিরম্মী। হায়বদি মীওইবশিং চাবা থকপদা ফাওবা অরাম খৌরাংবদু কোক্লনবা খল্লগা খক চাদে, তশেংনা মহাউ লৈবা চিঞ্জাক অমা ওইহন্দুনা চাননবা হোৎনৈ। মহৌশানা অহাওবা চিঞ্জাক ওইদুনা লৈরম্লবসু য়েংবদা হেন্না চানীংবা পোকহন্নবা হায়না ফজনা শেম শারগা মহাও হেন্না কাহনগদবা মরোই-মপাং, য়াইঙং, থুম-থাউ, মোরোক অমসুং মরূ-মরাংগী মচল কয়াম হাপচিল্লি। চাগদৌবা পোৎতু লৈয়েংদা মহাউ হেন্না ফংহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা মিৎসিনা হেক য়েংবদা ফজহন্দুনা চানীংবা পোকহন্নবা হোৎনৈ। লোয়ননা চাগদৌরিবা পোৎতুগী মহাউ হেনগৎনবা নুংশিবা মনম নাতোন্দা ফাওহন্নবসু হোৎনৈ। অদুগা চাগদৌবা পোৎ খুদিং মকু খোল্লুগা অমসুং থাঙনা মকক মকক কল্লগা হিংনা নৎত্রগা থোংলগা চানৈ। অদুগা য়াম্না শাথীবা লিচৎ শাজৎ অমনা মীওইবা মশেল তিন্নবদসু থাক ৱাংবনি খন্নবা মশেল তিন্নৈ, থাক ৱাংবনি খঞ্জবশিংনা থাক নেম্বশিংগা তিন্ননীংদে। করিগুম্বা থাক নেম্বগা তিন্নরুবা থোল্লগনা মশাদা হেন্না নুংঙাইবা পোকচৈ। মরমদি মখোয়গী মফমদদি মহাক অসি নিংথৌ অমগুম্না খন্দুনা হায়ফম তৌফম খঙদখৈ নুংঙাইনা পোংজৈ। অদুবু মানা লোয়নরিবা মীওইশিংনদি মাবু থাগৎলগা চাওবনি খঙনা লোয়নৈ। অদুগা মশানা মশাবু ঐ অশিংবনি খঞ্জবশিংনসু অপংবনি খনবা ময়াম অমা খরা পীজ-পীথক তৌরগা মাগী পাখোল থাবদা শীজিন্ননবা য়োক্তুনা থম্মী। য়োক্তুনা থল্লিবশিংদুনা অমুক অশিংবদুদগী থেল্ল-থেল্লগা চাথোকই লৌথোকই। মতৌ অসুম্না মী অমগা মী অমগা শীংবা তান্নে, ওইজবা থিবা তান্নে। মপু মাগী লীলা অঙকপনি হায়বা য়াই মদুদি মীওই অমত্তা মহাক্না শেম্বী শাবিরকপদা ৱাখল লৌশিং, লমচৎ শাজৎ অমসুং শিনফম মান্ননা শেম্বীরমদে। অদুবু হুই, হৌদোং, গধা, লমহুই, ওক, চরোই, ক্বাক, ইরোই, কৈ অমসুং নোংশানচিংবা শা উচেক খরগা মান্নবা লমচৎ শাজৎ চৎচবা মীওই কোকথোং অমদি শেম্বীরম্মী। অদুগা লৌ উবা, ফি শাবা, য়ূম শাবা, য়োৎ শুবা, সনা শাবা, পুঙ য়ৈবা, ঈশৈ শকপা, লাই য়েকপনচিংবা শিনফমশিং অসিদি তাইবঙ মপুনা তাইবঙদা থবক ওইনা পাঙথোক্লনবা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াদা শিন্নবীরম্মী। হায়রিবা শিনফমশিং অসি মীওই অমদা পুল্লপ শিন্নরকপা নত্তবনা মীওই অমনা হৈবা শিনফম মী অমনা হৈতে শিনফম তোঙালহল্লি। শিনফমশিং অসি থৱায় পানবাঅহিংবা অমত্তদা পীদবা তাইবঙ মীওইবখক্তদা পীবা তাইবঙ মপুগী মমল য়াল্লবা খুদোলনি হায়না শীংথাবা য়াই।

...মখা লমায় ৫ কলম ৩দা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।